# যুক্রেনগী দোনেটস রিজনদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা রোকেট এটেক্ট চথবদা মীওই ১৫ শিখ্রে, ২০ হেন্না বিল্ডিংদগী থোকপা য়াখিদ্রে



কিভ, জুলাই ১০ (এজেন্সী): যুক্রেনগী দোটেনস রিজনদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা উরুগান রোকেট কয়া কাপশিন্দুনা চথখিবা এটেক্টতা মথোল মঙাগী এপার্টমেন্ট ব্লোক অমদা অমাঙ অতা চাওনা থোকখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ শিখ্রে অমসুং মীওই ২০ হেন্না অকায় অতোই নঙলবা বিল্ডিং মনুংদগী থোকপা য়াখিদ্রে হায়রি।

দোনেটসকী গভর্নর পাবলো কিরিলেন্টকোনা হায়খি, মদুদি থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা চর্সিপ য়ার টাউন্দদা লৈবা এপার্টমেন্ট বিল্ডিং অদুদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা রোকেট এটেক্টশিং চথরকখি।

রিজনেল ইন্মর্জেন্সি সার্ভিসনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল ফাওবদা এটেক্ট অদুদা শিরিবা মী মশিং ১৫ নি হায়না পনখি অমদি বিল্ডিংগী অকায় অতোই মরক্তা মীওই ২৪ হেন্না লৈরমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ইন্মার্জেন্সি সার্ভিসেসকী ওফিসল অমগী মতুং ইন্না ভিক্তিম মঙা অকায় অতোই মরক্তগী হিংনা পুথোরকখি। চর্সিপ য়ার হায়রিবা টাউন অদু দোনেটস রিজনগী ক্রামাটোস সিটিগা নক্কনা লৈবনি।

থৌদোক অদুদা হিংহৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা মখোয়না বেজমেন্টদা চেনশিন্দুনা য়েংবদা এপার্টমেন্ট ব্লোক অদুদা রোকেট অহুম্না পানখি। অহানবগী রোকেট অদু কিটচনদা পানখি। থাংজ নুমিত্তা রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোরকখিবদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা চর্সিপ য়ারদা লৈবা যুএসকী এম৭৭৭ হোৱিটজরশিং থম্বা হেঙ্গর অমা অমাঙ অতা থোকহনখ্রে হায়না পনখি। চর্সিপ য়ারদা চথখিবা এটেক্টশিং অদুগী অকুপ্পশিং এজেন্সিনা ভেরিফাই তৌবা ঙমখিদে।

দোনেটস ইন্মার্জেন্সি সার্ভিসেসকী বেরোনিকা বাখলনা বিবিসিদা ফোঙদোরকখিবদা চর্সিপ য়ারগী বিল্ডিংগী অকায় অতোই মরক্তা অঙাং য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ২০ লোম থোক্লকপা য়াদদুনা লৈরি হায়বগী থাজবা লৈ। মরী লৈনবা মীওইশিংনা হৌজিক অকায় অতোই মরক্তা হিংদুনা লৈরিবা মীওইশিং অশোয় অঙাম য়াওদনা রেস্কু তৌননবগী থৌরাং কয়া লৌখৎলে। অনকপদা লৈবা মথোল মঙাগী এপার্টমেন্ট - ব্লোক অমসু রসিয়ন রোকেটশিংগী টার্গেট ওইখি। যুক্রেনবু দিমিলিটরাইজ তৌনবগীদমক্তা স্পিসিএল মিলিটরি ওপরেসন অমা চথরি হায়রিবা রসিয়ানা সিভিলিয়নশিংদা অতম্না এটেক্ট তৌই হায়বা ৱাফম য়াখিদে।

লূহান্স অমসুং দোনেটস প্রোভিন্সশিংদা যুক্রেনগী নোংপোক থংবা ইন্দষ্ট্রিএল রিজন ওইরিবা দোনবাস লৈরিবনি। মফম অসি জেনরেসন কয়া যুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা লানবুং ওইখি। রসিয়ানা দোনবাসপু লমদম অসিদা লালহৌরিবা সেপরেটিষ্টশিংগী খুথাংদা পায়শিনবা পাল্লিবনি।

মোস্কোনা হায়রি, মদুদি যুক্রেনিয়ন মিলিটরিবু লমদম অসিদগী ইন্হোকপা হায়বসি হৌজিক চথরিবা স্পিসল মিলিটরি ওপরেসন অদুগী খ্বাইদগী মরু ওইবা পান্দমনি।

অমরোমদা, থা মরি হেঞ্জি-ল্লক্লবা রসিয়ন ওফেন্সিব অদুবু নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা কায়হৌরুবা তৌদনা চথরক্লিবা লান অমনি হায়রিবনি। যুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা দোনেটসকী সিটি অনী হায়বদি ক্রামাটোস অমসুং সোক্লিয়ংসকী অকোয়বদা ঙাকশেলগী থৌরাংশিং হান্নদগী হেন্না কনখৎতুনা লৈরিঙৈদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা রোকেট এটেক্টশিংসু হেন্না কন্না চথরকখিবনি।

লুহান্স রিজন পায়শিল্লবা মতুংদা রসিয়নশিংনা দোনেটসকী অতৈ মফমশিং পায়শিন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা মখোয়গী ওফেন্সিব কনশিল্লিবনি। লমদম অনীমক পুটিননা রসিয়াগী শরুক্লি হায়না ক্লেম তৌরিবা দোনবাসকী শরুক্লি।

# প্রিষ্ট হাৎপদা চেন্নবা কনাদাদা লৈবা একুজ অনীগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎনবা তকশিনখ্রে



টোরোন্টো, জুলাই ১০ (এজেন্সী): কুমজা ২০২১ গী জন্যুৱারীদা পঞ্জাবতা প্রিষ্ট অমা হাৎখিবগা মরী লৈনবা কেস অমদা হন্দক্তা চার্জ সিট তৌখিবা কনাদাদা লৈবা মীওই অনীগী মরমদা প্রাইওরিটি ওইনা থিজিন্নবা ইন্দিয়ানা কন্নাদিয়ন ওথোরিটিশিংদা হায়জখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) না স্পিসল কোর্ট অমদা ফাইল তৌখিবা চার্জসিটতা মমিং পনখিবা মীওই মরিগী মনুংদা মীওই অনীদি কনাদাদা লৈবা মীওইশিং ওইরিবা হর্দিপ সিংহ নিজার অমসুং অর্সিদিপ সিংহনি।

নিজার বৃটিশ কলম্বিয়াগী সুরেদা লৈ অমসুং সিংহনা গ্রেটর তোরোন্টো এরিয়াদা লৈ হায়বসি মমাংগী রেকোর্দতগী খঙবা ঙমখি।

ইন্দিয়ন ওফিসল অমনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখিবদা হিরম অসিগা মরী লৈননা কন্নাদিয়ন ওফিসলশিংগা ৱারী শান্নবদা খুমাং চাওশিনবা ঙল্লে। ওটোৱাদা মীওই অনী অসিগী মায়োক্তা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎপগী থবক খ্বাইদগী মরু ওইবা মিৎয়েং থল্লগা পায়খৎনবা হায়জখ্রে।

এন আই এগী টিম অমনা হৌখিবা চহীগী নবেম্বরগী অহানবা চয়োলদা ওটোৱাদা খোঙচৎ অমা চৎখিবা মতমদসু নিজার অমসুং সিংহগী মরমদা খন্না নৈনখি। মসিদা নত্তনা হৌখিবা থাদা ন্যু দিল্লিদা রোয়ল কন্নাদিয়ন মাউন্টেদ পুলিস (আর সী এম পি) গী টিম অমা লাকখিবা মতমদসু হীরম অসিগী মতাংদসু অমুক হন্না খন্না নৈনখি। চার্জসিট অদুগী মতুংইন্না কেস অসি কমলদিপ শর্ম্মা কৌবা প্রিষ্ট অসিবু জলন্দরগী ভিলেজ অমদা হাৎননবা লৌতুনখিবদা মরী লৈনৈ।

তৌইগুম্বসুং চার্জশিং অসিগী মনুংদগী চার্জ অমত্তা কনাদাগী কোর্ট অমদা নিজার নৎত্রগা সিংহগী মায়োক্তা প্রুফ তৌবা লৈত্রি। নিজ ৱগা মরী লৈনরিবা সেপ্রেটিষ্ট গ্রুপ সিখস ফোর জষ্টিস (এস এফ জে) না মসিগী এক্টিভিটিশিংদা ভাওলেন্স শীজিন্নখি হায়বগী ৱাফম য়াখিদবগা লোয়ননা মহাক্না হৌজিকসু মখা তানা বৃটিশ কলমবিয়া হায়রিবা প্রোভিন্স অসিদা গ্রুপ অসিগী খালিষ্টান রিফরেন্দম প্রোজেক্ট অসি লুচিংলি হায়না ফোঙদোরকখি।

হৌখিবা মেদা মীয়াম্না পাম্নরবা শৈশকপা অমসুং পোলিটিসিয়ন সিধু মুসেৱালা হাৎখিবগী থৌদোক্তা চাওনা চেন্নৈ হায়না মরাল শিবা লৈখ্রবা মীয়াম্না গোলদি ব্রার হায়রগা হেন্না খঙনবা সটিন্দরজিট সিংহগী মরমদা হৌজিক চথরিবা ইভেষ্টিগেসনগী মতাংদসু ইন্দিয়ানা কনাদিয়ন ওথোরিটিশিংগা ৱা তান্নদুনা লাকখি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা হৌখিবা জুনদা ইন্টর্পোলনা রেদ কোর্নর নোটিস (আর সী এন) অমা ইস্যু তৌখ্রবনি। নোদেল ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সী অসিগা লোয়ননা পঞ্জাব পুলিসনা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টরি ইভিদেন্স হেক পীবগা কনাদিয়ন ওথোরিটিশিংদা এক্সন লৌখৎনবা খঙহনগনি হায়না ইন্দিয়াগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

# শ্রীলঙ্কাগী প্রসিদেন্ট রাজাপাক্সা জুলাই ১৩ দা রিজাইন তৌরগনি



কলম্বো, জুলাই ১০ (এজেন্সী): শ্রীলঙ্কাগী প্রসিদেন্ট রাজাপাক্সা লাক্লিবা যুমশকৈশ নুমিৎতা রিজাইন তৌরগনি হায়না পর্লিয়ামেন্টকী স্পিকর মহিন্দা য়াপা অবেৱার্দেনানা থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা ফোঙদোকখ্রে।

নিংতম্বা ফঙলবা মতুংদা শ্রীলঙ্কাদা হৌজিক থোক্লিবা খ্বাইদগী শাথিবা শেল-থুমগী ক্রাইসিস অদুগী মরাল শিবগা লোয়ননা মহাকপু ফম থাদোক্লবা তকশিল্লদুনা ইথৎ লৈবাক অসিগী প্রোটেষ্টর লিশিং কয়ানা মহাক্কী ওফিসল রেসিদেন্সতা থোমজিনখিবা মতুংদা পর্লিয়ামেন্টকী স্পিকরনা মীয়ামদা ৱাফম অসি লাওথোরকখিবনি।

পার্টি পুন্নমক্কী লুচিংবশিংগী ওইবা মীফম অমা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা পাঙথোকখিবা মতুংদা স্পিকর অবেৱার্দেনানা প্রসিদেন্ট রাজাপাক্সাদা রিজাইন তৌনবা তকশিনখিবনি। স্পিকরনা পার্টি পুন্নমক্কী লুচিংবশিংগী মোৎ অমত্তা ওইবা ৱারেপ প্রসিদেন্টদা খঙহনখিবগা লোয়ননা রাজাপাক্সানা মহাক ফম থাদোক্লবগী ৱারেপ অসি লৌরে হায়না অবেৱার্দেনাদা খঙহল্লকখিবনি।

তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংগী লুচিংবশিংনা অবেৱার্দেনাবু এক্টিং প্রসিদেন্ট ওইনা থবক পায়হনবা য়ানবা প্রসিদেন্ট রাজাপাক্সা অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর রানিল ৱিক্রেমেসিংগে খুদক্তা রিজাইন তৌনবা দিমান্দ তৌখিবনি। লুচিংবশিং অদুনা মোৎ অমত্তা ওইনা য়ানখিবগী মতুংইন্না পর্লিয়ামেন্টনা মহুৎ শিনগদবা অমা খনদ্রিফাওবদি অবেৱার্দেনানা এক্টিং প্রসিদেন্ট ওইনা লৈগদবনি।

মশাগী চহী ৭৩ শুরবা ৱিক্রেমেসিংগেনা পার্টি পুন্নমক্কী ওইবা এদমিনিষ্ট্রেসন অমা লৈহন্নবগীদমক ফম থাদোক্লগনি হায়না থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা ফোঙদোকখ্রবনি। তৌইগুম্বসুং খোইরাং খোইশাওনরবা প্রোটেষ্টরশিংনা মহাক্কী লনাইগী ওইবা যুম মৈ থাদোকখি। মসিগী মতুংদা রাজাপাক্সাসু স্পিকরগী ৱাফমগী পাউখুম পীরদুনা জুলাই ১৩ দা মফম থাদোক্লগনি হায়না খঙহল্লকখিবনি। মহাক কুমজা ২০২০ গী নবেম্বরদা শ্রীলঙ্কাগী প্রসিদেন্ট ওইখিবনি।

মীওই মিলিয়ন ২২ লৈবা শ্রীলঙ্কা অসি চহী ৭০ গী মনুংদা মমাংদা অমুক্তা থেঙনখিদ্রিবা শেল-থুমগী ক্রাইসিস অমা মায়োক্লরকখি। ফোরেন একচেঞ্জ রিজার্বস কা হেন্না লৈরক্তবগী ফীভম অমা লাকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসি য়াম্না তঙাই ফদ্রবা থাউ অমদি অতৈ পোৎলম কয়া মপান্দগী লৈবা ঙল্লকখিদবনি।

# সাউথ অফ্রিকাগী বার অমদা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই ১৫ শিখ্রে

জোহেন্নেসবাগ, জুলাই ১০ (এজেন্সী): সাউথ অফ্রিকাগী স্বেটো টাউন্সিপতা লৈবা বার অমদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ শিখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী মতুংইন্না নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা গনমেন খরা ওর্লান্দো ইষ্টতা লৈবা বার অদুদা খঙহৌদনা চঙশিল্লকখি অমসুং মখোয়না নহা ওইরিবা মীওই কাঙবু অমদা নোংমৈনা কাপশিনখি। বারদা লৈরিবা নহা ওইরিবা মীওই কাঙবু অদুদা নোংমৈদা কাপ্লবা মতুংদা খুৎলাই পায়বা মীওইশিং অদু অঙৌবা মিনিবস অমদা মফমদু থাদোকখি।

পুলিসকী মতুংইন্না এটেক্ট অদুগী মোটিভ খঙবা ঙমদ্রি। বি বি সীগী রিপোর্ট মতুংইন্না এটেক্ট অদুদা অশোক অপন নংলবা মীওই কয়া হোস্পিটালদা অরুবা ফীভমদা লায়কন্নরি। ভিক্টিমশিং অদু চহী ১৯ দগী ৩৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনি হায়না থাজনখি।

গৌটেঙ প্রোভিন্সকী পুলিসকী হেদ লেপ্টনেন্ট জেনরেল ইলিঅস মাৱেলানা ফোঙদোরকখিবদা নোংমৈগী এটেক্ট অদু বারদা লাক্লিবা মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিংবু অতমননা টার্গেট তৌদুনা চথখিবা এটেক্ট মাল্লি। গনমেনশিং অদু বার অদুদা চঙলকখিবা মতমদা রাইফল অমদি নাইন এম এমগী পিষ্টোলশিং পায়রকখি।

মশক খঙদবা এটেক্করশিং অদু বার অদুদগী চেনখ্রবা মতুংদা পুলিসনা মখোয়বু থি-হুম্বগী থবক চথখি হায়না পুলিস হেদ অসিনা প্রেসতা থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরকখি।

পুলিসনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না সাউথ-ইষ্টর্ন প্রোভিন্স ক্বাজুলু-নাটালদা লৈবা অতোপ্পা বার অমদসু মশক খঙদবা মীওই খরনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই মরি শিখি।

***ADMISSIONS OPEN***
FOR THE ACADEMIC YEAR 2022-23

HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW !
STUDY IN ONE OF THE BEST ENGINEERING AND PHARMACY COLLEGE OF BANGALORE

*** COURSES OFFERED: ***

*B. E (Computer Science / Artificial Intelligence and Machine Learning) Fees Structure :
1st Year Rs: 1.35 lakh, 2nd Year to 4th year Rs: 90K per Year.
*B. E (Civil / Electronics and Communication / Mechanical) Fees Structure :
1st Year Rs: 1.15 lakh, 2nd Year to 4th Year Rs: 75K per Year.
B. Pharmacy Fees Structure : 1st Sem 1.25 lakh, 2nd Sem to 8th Sem Rs: 50K per Semester.

* College Highlights *

*No Donation *Reasonable tuition fees *Beautiful college campus *Well equipped labs & training classes *Highly qualified teaching faculties *Placement in top MNC's Companies *Well furnished hostel rooms *Separate hostel for boys and girls.

CONTACT US: 8310788408, 9362331862.
REGIONAL ADMISSION OFFICE at Sagolband Meino Leirak, Imphal.

HL-P/2939/11/6 to 9/7 Alt Days

# জেলেন্সকিনা এম্বেসেদর কয়া মফম লৌথোকখ্রে

কিভ, জুলাই ১০ (এজেন্সী): যুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা থাংজ নুমিৎতা জর্মনিদা লৈবা কিভকী এম্বেসেদর অদি অতৈ মপান্দা লৈবা টোপ ইনভোয় কয়া মফম লৌথোকখ্রে হায়না প্রসিদেন্সিগী ৱেভসাইটতগী ফংবা পাউ অমনা হায়রি।

খোঙথাং অদুগী মরম পন্দবা দিক্রি অমদা প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা জর্মিনি, ইন্দিয়া, জেগ রিপব্লিক, নোর্ৱে অমসুং হঙ্গেরিদা লৈরিবা যুক্রেনগী এম্বেসেদরশিং দিসমিস তৌরে হায়না লাউথোকখি।

ইনভোয়শিং অদু প্রসিদেন্সিনা অনৌবা থৌদাংশিং শিন্নগদ্রা হায়বদুদি খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে। রসিয়ন ফোর্সশিংবু থেংনবা ঙম্নবা অমদি যুক্রেনবু রশিয়াগী অকন-অরিং শিংবা থৌওংশিংদগী কনজনবা হায়দুনা জেলেন্সকীনা মহাক্কী দিপ্লোমেটশিংদা মালেমগী সপোর্ট অমদি মিলিটরি মতেং হেন্না লৌবা ঙম্ননবা তকশিনখিবনি। রশিয়াগী ইনর্জি সপ্লাইগী মপান চাওনা তাংদুনা লাক্লবা জর্মনি অমদি কিভকী মরী অসি মোস্কোনা যুক্রেনগী লান অসি হৌখিবদগী সেন্সিটিভ ওইবা ৱাফম অমা ওইদুনা লাক্লি।

কনাদাদা হৌজিক চথরিবা জর্মনিনা শাবা টর্বাইন অমা শেমজিন-শাজিনবগী থবক্তা মরী লৈননা কেপিটেল অনীগী মরক্তা হৌজিক অমগা অমগা য়ানদবগী ফীভম অমা লাক্লিবনি।

যুরোপ্তা গ্যাস পুবা য়ানবা জর্মনিনা ওটাৱাবু টর্বাইন অদু রশিয়াগী নেচরেল গ্যাস জাইন্ট গ্যাজপ্রোমদা অমুক শিন্নহনবা পাম্মি। অমরোমদা কিভনদি কনাদাদা টর্বাইন অদু মখা তানা লৈবাক অদুদা থম্নবা তকশিনখি। মদুবু রশিয়াদা পুবা হায়বসি মোস্কোগী মায়োক্তা থল্লিবা অথিংবশিং থুগায়বগা মান্নগনি হায়রদুনা টর্বাইন অদু কনাদাদা থম্নবা তকশিনখিবনি।

# পোলিটিসিয়ন অমসুং ফিল্ম দিরেক্টরশিং ফাজিনখ্রে

দেহেরান, জুলাই ১০ (এজেন্সী): ইরানগী মশক নাইরবা রিফোর্মিষ্ট পোলিটিসিয়ন মোস্টাফা টাজাদেহ লৈবাক্কী সিক্যুরিটিগী মায়োক্তা লৌতুনগী মরাল শিরদুনা ফাজিনখ্রে।

মহাক মীয়াম্বু লান্না থাজহনগদবা মওংদা অরানবা পাউ ফোঙখি হায়নসু মরাল শিখি। হান্না দেপ্যুটি ইন্টরিয়র মিনিষ্টর ওইরম্লবা টাজাদেহ ২০০৯ দগী ২০১৬ ফাওবা জেলদা লৈখি। মহাক সুপ্রিম লিদর অয়াটোলা অলি খামেনৈগী ক্রিটিক অমনি। মহাক্তা নত্তনা ইরানগী ফিল্ম দিরেক্টর অনীসু তোঙানবা প্রোটেষ্ট অমগা মরী লৈননা ফাজিনখ্রে।

মোহমদ রাসুলোফকী ফিল্মশিং কেন অমদি বর্লিন ফিল্ম ফেষ্টিভেল অনীমক্তা এৱার্দ কয়া ফংখি। মহাক অমসুং মোস্টাফা অলামাদহ মীয়াম্বু ইরাং হৌহন্নবা শিনবগী মরাল শিরদুনা ফাখিবনি।

ফিল্ম দিরেক্টর অনী অসি হৌখিবা মেদা অবাদান সিটিদা লৈবা মথোন ১০ গী বিলদিং অমা নিংখায়খিবগী মতুংদা প্রোটেষ্ট তৌখিবা ইরানিয়ন সিনেমাগী মীওই কাঙবু অমগী মায়োক্তা য়াওখি। বিলদিং নিংঙায়বগী থৌদোক অদুদা মীওই ৪০ হেন্না শিখিবনি। মখোয়গী অফোঙবা লেট্টরদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা খুৎলায় থাদোক্লবা অমদি মীয়াম্বু ওৎ-নৈবা লৈপ্পনবা তকখিনখি।

ফুম্লৌ প্রজাশিংদা হার (য়ুরিয়া) মতম চানা ফংহনবীয়ু

ঙসি তাং ১০/০৭/২০২২ ইং, নোংমাইজিং নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ৮.০০ তাবা মতমদা All Phumlou (Sekmai AC) গী Paddy Fertilizer (Urea) ফংদবগী মীফম অমা শ্রী চিরোম মেঘচন্দ্র সিংহনা সভাপটি ওইদুনা All Phumlou Community Hall দা পাঙথোকখি।

মীফম অসিদা লাকখিবা মীওইশিংগী সহি ঃ-

1. N. Surchandra Singh
2. A. Sunita Devi
3. S. Dhanajit
4. A. Ibeyaima Leima
5. Ch. Ibocha
6. A. Abem
7. Th. Memcha Devi
8. Ch. Mohori Singh
9. K. Sohodeba
10. M. Shanti Devi
11. T. Prema Devi
12. Y. Dayananda Singh
13. K. Opendro Singh
14. L. Jiban Singh
15. W. Ahanbi Leima

ঙসিগী মীফম অসিনা মখাগী ৱারেপশিং অসি অমত্তা ওইনা য়ানখি।

১) সেকমাই এ সীগী এম এল এ হৌজিক মিনিষ্টরসু ওইবিরিবা Honourable Shri Heikham Dingo না লাক্লিবা তাং ১৩/০৭/২০২২ (যুমশকৈশা) ফাওবগী মনুংদা All Phumlou গী Crop Fertilizer (Urea) পীবীদ্রবদি মখল-মখা কয়াগী অকনবা খোঙজং চঙশিনবা হায়না ঙসিগী সভানা য়ানরে।

২) ঙসিগী সভা অসিনা, ঙসিগী ৱারেপশিং অসি ইলেক্ট্রোনিক প্রিন্ট মীদিয়ানচিংবশিংদসু হাপ্পা হায়নসু য়ানরে।

৩) মতম-মতমগী ওইবা দরকার লৈবা খোঙজংশিং চঙশিনমিন্নবা হায়না All Phumlou গী মীপুম খুদিংমক্লা অমত্তা ওইনা য়ানখিবগা লোয়ননা তাং ১৪/০৭/২০২২ (শগোলশেন) নুমিৎ অসিদা লৈকাই খুদিংমক্কী মৈরা পায়বী অমদি ক্লব খুদিংমক্লা All Phumlou Community Hall দা অয়ুক্কী পুং ৮.০০ তাবা মতমদা অমুক হন্না মীফম পাঙথোকপা হায়নসু অমত্তা ওইনা য়ানখ্রে।

Sd/- W. Ahanbi Leima
President,
The Phumlou Apunba Nupi Lup

Sd/- A. Sunita Devi
Secretary,
The Phumlou Apunba Nupi Lup

HL-P/3294/11

URGENT JOB NEWS
Government Regd. No. Kj/65(com.estt) of 2016
(First come & First Chance)

| Sl. | Name of Post | | Salary | Post | Qualn. |
|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Airport Post Vacancy of Bangalore, Kolkata, Delhi, Guwahati & Hyderabad. Training with Placement of Fresher & Experience. | | | | |
| | i. G-CSA Officer (M/F) Air Ground Staff | | 60,000 – 90,000 | 50 | G/M |
| | ii. Air Hostess / Cabin Crew (M/F) | | 60,000 – 1 Lac | 20 | G/M |
| | iii. VIP Lounge Staff/Meet & Asst Staff (F) | | 40,000 – 70,000 | 60 | XII/G |
| | iv. G-Shopping Mols/G-Retail CSA(M) | | 40,000 – 70,000 | 50 | XII/G |
| | v. Plaza Staff/Hospitality (M/F) | | 40,000 – 70,000 | 50 | XII/G |
| | vi. G-Driver/Flight-Loader/Cargo Loader (M) | | 18,000 – 30,000 | 80 | X/XII |
| 2. | Banking Staff Recruitment of Nationalized Bank in Imphal | | | | |
| | i. Operational Staff (M/F) | 25 Yrs | 18,000 – 25,000 | 15 | G/M |
| | ii. Account Opening Staff(M/F) | 26 Yrs | 18,000 – 25,000 | 15 | G/M |
| | iii. Loan Officer Staff(M/F) | 30 Yrs | 18,000 – 25,000 | 15 | G/M |
| 3. | Security Guard in Assam, Pune & Gujarat | | | | |
| | i. Security Guard (Gujarat) | | 20,000 – EPF | 50 | VIII/X |
| | ii. Security Guard (Pune) | | 27,000 – EPF | 50 | VIII/X |
| | iii. Ex-Servicement/Supervisor | | 30,500 – EPF | 50 | VIII/X |
| 4. | In Imphal post vacancy | | | | |
| | i. Security Guard / Ladies Guard (M/F) | | 6,000 – Above | 30 | VIII/G |
| | ii. Ex-Servicement/ Security Supervisor | | 8,000 – Above | 20 | VIII/X |
| | iii. Security Gunman Guard (M) | | 12,000 – Above | 20 | VIII/X |
| 5. | No Deposit work at Imphal | | | | |
| | i. Office Reception/ Micro Finance (R.O.) | | 5,000 – Above | 20 | VIII/X |
| | ii. Office Managerial Staff (M/F) | | 5,000 – Above | 90 | VIII/X |
| | iii. Local Driver (407) TATA Driver | | 10,000 – Above | 20 | VIII/X |
| | iv. Female Helper | | 7,000 – Above | 25 | VIII/X |
| | v. VIP Driver (Light / Heavy) | | 7,000 – Above | 20 | VIII/X |
| | vi. Project Manager ( 1 yr. Exp.) | | 10,000 – 20,000 | 05 | Grad. |
| | vii. Marketing Manager | | 7,000 – 10,000 | 10 | XII/G |
| | viii. Tele- Caller / Customer Care | | 7,000 – 10,000 | 20 | XII/G |
| | ix. Data Operator/ Asst. Manager | | 8,000 – 10,000 | 10 | XII/G |
| | x. Delivery Agent /Digital Marketing | | 12,000 – Above | 10 | XII/G |
| | xi. Hotel Workers (M/F) | | 5,000 – Above | 05 | X/XII |

Date of Submission : 28-07-2022
Date of Interview : 29-07-2022
Pliz Contact : +91 9774361669 / 8131087993
Office Hour : 10.00 a.m. to 3.30 p.m.

Please Contact & Concern
Emoinu Job Consultant
Keishampat Opp. CCpur Bus Parking
Near Poknapham Press Gate

HL-P/3285/11,14,18,21,25,27

ইখোল য়োঙ্গরি

য়ূম শাবা য়াবা Porompat JNIMS Road মনাক্তা point 8 পাকপা/ শাংবা 80/40 মুক্কী ইঙ্খোল অমা য়োঙ্গরি। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী ফোন নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবীয়ু।

7042368338 #

HL-P/3289/11

হেল্পর নুপী অমা পামজৈ

মীওই অহুম লৈবা ইমুং অমগী থবক ইনখাংদা মতেং পাংনবা হেল্পর নুপী অমা পামজৈ, মসাগী চহী ৩০দগী ৪৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবনা হেন্না পামজৈ। অকুপ্পা মরোলগীদমক নম্বরশিং অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

HL-P/3308/11

# 8787752537 / 7085376498

দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, যুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্লবা, যুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

Contact : JM Dr Ph Rajendra
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/7684/09,10

YOUNG WOMEN STREET VENDORS ASSOCIATION

Registered with the registrar of Trade Union Manipur Under No. 1013 of 2021

NOTICE

Imphal, the 10th July, 2022

No. YWSVA / GS / EM / 2022 (Pt) 18: As per Directive of the Registrar of Trade Unions Manipur on 6th July, 2022 at her Office Chamber. It is hereby inform to all the Executive Members of the Young Women Street Vendors Association that the Executive Body Meeting will be held on 18th July, 2022 at 2:00 p.m. at Shri Shri Radha Binodalal Mandop, Uripok Takhellambam Leikai, Imphal under rules No. 18 of the Rules and Constitutions of the Union. The following Agendas will be discus and negligence should be fixed their own peril.

Agenda :
1. Rules and Constitution No. 7.
2. General Body Meeting.
3. Membership enrolment.
4. Misc.

Sd/- Smt. G. Kunjarani Devi
General Secretary

HL-P/3306/11

থবক কৌজরি / EMPLOYMENT NEWS

মশাগী চহী ১৮ দগী ৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহা নুপা অমদি নুপীশিংনা apply তৌবীবা য়াগনি। ফমশিং অদুদি Security, Driver, Helper/M/F হায়রিবা ফমশিং অসি অথুবগী ওইনা কৌজবনি।

Gunman গীদি তলব লিশিং ১০,০০০ দগী হৌজগনি। Cook, Chowkidar, Gardener, Warden, Reception and Office Staff মশাগী Aadhaar Card অমসুং Educational qualification document support তৌবীরকউ।

Sd/- Social Security Guard
Uripok Lai Khurembi
Phone : 7629835413 / 6009600647

HL-P/3290/11

খঙহঞ্জবা

Manipur Co-operative Societies Act 1976 কী মখাদা "Sunita Handloom & Handicraft Co-operative Society Ltd" হায়না Kongba Makha Nandeibam Leikai (Laikon), Imphal East, Manipur, 795008 অসি রেজিষ্টর তৌজরগনি। কনাগুম্বা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি ঙসিদগী ৭নি ফাওবগী মনুংদা য়েৎপীবা য়াগনি।

খঙহঞ্জরিবা ঃ
Sunita Handloom & Handicraft Co-operative Society Ltd.
Kongba Makha Nandeibam Leikai (Laikon)
Imphal East, Manipur

HL-P/3287/11

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVERNMENT OF MANIPUR

Ref: Mutation Case No. 398/AS&SO/Thoubal 05/07/2022

Angom Amumacha Singh, S/o. Late Angom Sanahal Singh of Athokpam Makha Leikai - Applicant

-Vs-

1. Yumnam (N) Angom Ongbi Amusana Devi, W/o. Late Ahanbi @ Sanahal Singh of Athokpam Makha Leikai
2. Angom Nabadip Singh, S/o. (Late) Sanahal Singh of -do- - OPP

NOTICE

05/07/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি থৌবাল তহশিলগী খুল নং. ৩২-অথোকপম পাট্টা নম্বর ১৮৪ (অরিবা) ১০৬৩/১৮৫৮ (অনৌবা) দাগ নং ২৩০৫/২৮৩৫ (N) অপূনবা এরিয়া .০৪৮৩ হেক্তর চাওবা ইংখোল অসিদা কো-পাট্টাদার অহুমগী মিংদা নামা পাল্লিবা অসিগী মনুংদগী কো-পাট্টাদার নম্বর ১, ২ (Opp.) মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা কো-পাট্টাদার নম্বর ৩ (Applicant) গী মিংদা মৃত স্থত্তা ওইনা নামা পানবীয়ু হায়দুনা AS&SO/Thoubal গী Court তা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃতু কো-পাট্টাদার No. 1, 2 (Amusana Devi & Nabadip Singh) মখোয় অনীগী মথক্কী পাট্টাগী লম অসিগা মরী লৈনবা মচা-মশুশিংনা য়েৎনিংবা/Objection লৈরবদি য়েৎপগী মরম পীদুনা অইবা চেনা মথক্কী উক্তা Court অসিদা Local Paper দা Notice তৌরকপা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা য়েৎনিংবা/Objection তৌরবা য়াগনি, নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুংইন্না Case মখা চত্থগনি।

Sd/- M. Ningthembi Singh
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/3293/11